## গেট টুগেদর কম ৱার্কসোপ

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ঃ* ফুং ওর্গনাইজেসন মণিপুরনা শীন্দুনা শোংথু শম্পর চাইথু ইরোং কারোং খোরোমগী অহানবা গেট টুগেদর কম ৱার্কসোপ লাক্লিবা মে তাং ১ শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা ককচিং মন্তক ভিল্লেজদা পাংথোক্লগনি হায়রি।

## লৌ উনরিবা মফম লৌশিনবা য়ানিংদে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ঃ* ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুংচনবা য়ারল চীঙ্গোল (থরোশিবী)গী লৌ উনরিবা মফম চাউরাক্লা একর ১৩০ রোম মণিপুর সরকারগী টুরিজম দিপার্টমেন্টনা লৌশিন্নবা হোৎনরকপা য়ানিংদবা উৎলদুনা মীয়ামগী মীফম পাংথোকখ্রে লোয়ননা ক্ষেত্রিগাও কেন্দ্র এগ্রিকলচরেল লেন্দ প্রোটেক্সন কম্মিটি হায়বা অমসু শেমখ্রে।

হায়রিবা মফম অসিদা মমাংদসু লম একর ৩৫ ইকো টুরিজম পার্ক শেমগনি হায়না লৌশিনখ্রবনি। মখা তানা অমুক একর ১৩০ লৌশিন্নবা তৌরকপনি। নৌনা শেমখিবা কম্মিটি অদুগী কন্ভেনর কেএসঐচ শান্তিকুমার অমসুং কো কন্ভেনর এমদি নাজিমুদ্দিন্না পুন্না থাদোরকপা চেরোলনা হায়, করিগুম্বা নম হাদুনা লৌ উনরিবা মফম লৌশিন্নবা হোৎনরক্লবদি কম্মিটি অসিনা মীয়ামগা খুৎশম্নদুনা অকনবা খোঙজং চংশিনগনি।

## মে দে থৌরম

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ঃ* ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস (এ আই টি য়ু সি) মণিপুরনা শীন্দুনা লাক্লিবা মে তাং ১ শগোলশেন নুমিৎকী নুংথিল পুং ১ তাবদা মে দে প্লাটিনিয়ম জুব্লি সেলেব্রেসন ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাংথোক্কদৌরি। থৌরম অদুদা মণিপুর লৌমী লুপকী প্রসিদেন্ট এম মঙ্গি সিংহ, এ আর টি য়ু সি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডাক্তর এম নরা সিংহ, নুপী মরুপকী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এম সখি দেবী, ওল মণিপুর বেঙ্ক ইমপ্লোয়িজ এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এস ইন্দ্রকুমার, ওল মণিপুর রোদ ত্রান্সপোর্ট মোটোর ৱার্করস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ কুল্লমনিনচিংবা কয়ানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইগনি হায়রি।

# এন আই টি মণিপুর ফগৎনবা ওথোরিটিনা হোৎনদ্রে – *দেসাম*

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ঃ* ইম্ফালদা লৈরিবা এন আই টি মণিপুর ফগৎনবা পুকচেল শেংনা ওথোরিটিনা হোৎনদ্রে। মখোয় মখোয়গী লনাই ইন্টরেষ্ট য়েংদুনা থবক তৌরে হায়না দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না ফোংদোরক্লি।

দেসামগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা প্রেমচান্দ তোংব্রম্না থাদোরকপা চেরোলনা হায়, চৎলিবা থা অসিগী হৌখিবা তাং ১৮ দা এন আই টিগী রেজিষ্টারনা প্রোফেসার ৫, এসোসিয়েট প্রোফেসার ১১ অমসুং এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ৯ লৌনবা এদভর্টাইজ তৌখিবা অদু শেঞ্জা থুমজা তৌদুনা মখোয়না অপাম্বা মীওই লৌবা য়ানবা হোৎনবনি। থৌওং অসি এন আই টি মণিপুরবু মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা লৈবা ইন্সটিট্যুসন অমা ওইহল্লগনি অদুনা এন আই টিগী হয়ার ওথোরিটি ওইরিবা বোর্দ ওফ গভর্নরসনা অথুবদা মিৎয়েং চংবিয়ু অমসুং অরানবা তৌবশিং এক্সন লৌবিয়ু।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, নেসনেল ইম্পোর্টেন্স ওইবা ইন্সটিট্যুসন অমা মণিপুরদা লিংলগনি হায়বা মতমদা মীয়ামদা লৈখিবা অশা অদু ঙসিদি এন আই টি মণিপুরগী দিরেক্তর, রেজিষ্টার অমদি খোঙলোই খরনা মাঙহনগদৌরে। ওঝা লৌবদা থম্মোয় শেংনা নিয়ম চুন্না লৌদ্রবদি ইন্সটিট্যুসন অদু ফগৎলকপা হায়বসি ওইথোক্তবনি। মমাংদা তৌখিবা রিক্রুইটমেন্টদসু নিয়ম কায়না তৌখিবগী ৱাকৎ কয়া লৈখ্রবনি। অদুগুম্বা মতুংদা অমুক তৌদনবা হায়জখিবসু লৈখি। অদুবু অুম্ববু মশক খঙদ্রবা এন আই টি ওথোরিটিনা ঙসি ফাওবা তৌনিং তৌনিংবা তৌদুনা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা হৌজিক পাংথোক্লিবা পরিক্ষা অসিদা অকনবা মিৎয়েং চংবগী তঙাই ফদবা অদুসু লৈরে হায়রি।

হৌখিবা তাং ১৮ দা থোকখিবা এদভর্টাইজমেন্ট অদুনা কৌরিবা পোষ্টশিংগী পীরিবা মশিং অদু করম্বা স্পেলাইজেসন্দা পোষ্ট মশিং কয়া কয়া ওইগদবনো হায়বা ময়েক শেংদে। মসিদা নত্তনা রিজার্ভেসন তৌরিবা পোষ্ট মশিংসু চপ চানা উত্তবনা কেন্দিদেটশিংদা চাউনা চমম্নবা পোকহল্লে। অহোবা অসিদা খুদোংচাবা লৌদুনা তৌনিং তৌনিংবা তৌদুনা অপাম্বা মী খন্নবা থৌওইনা শিনবনি হায়বা অসিসু ময়েক শেংনা খঙলে। মরম অদুনা অরানবা অসি চুমথোক্লবা রিক্রুইটমেন্টগী থবক মখা চথদনবা মরী লৈনবশিংনা হোৎনগদবনি। হিরম অসিগী মতাংদা দেসামগী মীহুৎ কাঙবু অমনা এন আই টিগী রেজিষ্টারদা খঙহনখিবসু লৈখ্রবনি। অদুবু এদমিনিষ্ট্রেসন হেদ ওইজরবসু ৱাফম অসি খন্নরগা চুমথোকপা য়াব্রা হায়না য়েংশিনগে হায়বগী থাজবদি পীরকখি। অদুবু লনাই ইন্টরেষ্ট শোকপা অমদি কায়বা ৱাফম ওইবনা ঙসি ফাওবা চুমথোক্তনা থল্লি হায়রি।

এন আই টি মণিপুরদা হৌজিক মীওই খরগা মান্নরগা খুৎপু শেমদুনা চথরক্লিবা অশোয়বা অরানবা অসি থিদোক্নবা অমদি য়েংশিন্নবা দেসামগী টিম অমা শেম্লে। মসিদা অচুম্বা পাম্বা মীওই খুদিংমক্লা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

# এস এস এগী থবক্তা অপনবা ওইরে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ঃ* থৌবাল দিষ্ট্রিক্তা এস এস এগী থবক থৌরম কয়া রাজনিতিগী খুৎ চংলকপদগী অয়েৎপা অপনবা ওইরে হায়না স্কুল মেনেজমেন্ট দিভলপমেন্ট কম্মিটি এসোসিয়েসন থৌবালনা ফোংদোরক্লি।

এসোসিয়েসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি টিঐচ মনিচন্দ্র সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, রাইট টু এদুকেসন এক্ত ২০০৯ অমদি এস এস এগী নোর্মস অমসুং গাইদ লাইনগী ৱাংমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্তা লৈবা এম এল এ অমদি মিনিষ্টরনা মখোয় মখোয়গী অনিংবা অপাম্বা থবক তৌনবা হোৎনরি। ভারত সরকারগী ফ্লেগসিপ প্রোগ্রামদা য়াওরিবা এস এস এগী থবক্তা ফোংনা রাজনিতিগী খুৎ চংলকপা অসি মীয়ামগীদি য়াম্না লাইবক থিবনি।

অমরোমদা ষ্টাফশিংসু তৌফম খঙদনা বল্লিগী হামেং ওইহল্লে। চয়েৎনবা কয়া থোরকপদগী স্কুলশিং নিংথিনা শেমজিন শাজিনবসু ঙমদ্রে। পৈশা কায়থোকখ্রগা শেম শাদবসু য়াওরে। লিলোং কেন্দ্রগী মনুংচনবা নুঙ্গে খুনৌ ভিল্লেজ দোলাইথাবী প্রাইমারি স্কুলগী পৈশা কায়থোকখিবগী মতাংদা আর টি আইগী মতেং লৌরবা ফাওবা পাউখুম পীবা ঙমদনা লৈরি। হৌখিবা চহিগী ওক্তোবর থাদা চিফ মিনিষ্টর অমদি এস এস এ ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা এদুকেসন মিনিষ্টরনা মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা ৱারেপ অমা লৌদুনা মোনিটরিং এন্দ সুপরভিজন কম্মিটি কয়া শেমখিবা অদু আর টি ই এক্তকী মায়োক্তনি।

স্কুল মেনেজমেন্ট দিভলপমেন্ট কম্মিটি কয়া এদহোগতা শেমখিবা অদুসু কোর্টনা পীখিবা ওর্দরগী মায়োক্তনি হায়নসু মখা তানা ফোংদোরক্লি। অসুম্না চয়েৎনবা কয়া লৈরিঙৈ অসিদা লিলোং কেন্দ্রগী এম এল এ অমসুং এগ্রিকলচর মিনিষ্টর অব্দুল নাসিরনা, এপ্রুভ তৌখ্রবা স্কুল মেনেজমেন্ট এন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটিবু মহাক্কী অয়াবা য়াওদে হায়দুনা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা ঙাংহৈদবা ৱা ঙাংদুনা চৈ থাংখিবা অদুমক ওঝা খুন্নাই অমদি মীয়াম্বু শীংনবনি হায়না লৌই। মিনিষ্টরনা এস এস এগী গাইদ লাইন অমসুং নোর্মশিং অমদি রাইট টু এদুকেসন এক্ত নিংথিনা খঙলমদবা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়বগী ৱাফম থল্লদুনা স্কুল মেনেজমেন্ট এন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি এসোসিয়েসন থৌবাল দিষ্ট্রিক্তনা ওল মণিপুর স্কুল মেনেজমেন্ট এন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি এসোসিয়েসনগা লোয়ননা এমেষ্টা জোন থ্রি থৌবালনা চংশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংগনি হায়নসু ফোংদোরক্লি।

# লৌউ শিংঙ্উদা শীজিন্নবা লম ঙাকপী শেনবীনবা প্রসিদেন্টগী পুক্নিং চিংশিনখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ঃ* ষ্টেট অসিগী লৌউ শিংউদা শীজিন্নবা লম ঙাক শেনবীনবা ভারতকী প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিগী মীৎয়েং চিংশিনখ্রে।

ইম্ফালদা লাক্লম্বা প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিদা পীখিবা অইবা চেরোল অমদা কঞ্জার্ভেসন ওফ পেদ্দি লেন্দ এন্দ নেচরেল রিছোর্সেস প্রোটেক্সন কম্মিটি মণিপুরনা তোঙান তোঙানবা হিরম ৬ তা মিৎয়েং চংবীনবা প্রসিদেন্টগী পুক্নিং চিংশিনখি।

হিরমশিং অদুগী মনুংদা ষ্টেট এগ্রিকলচরেল ষ্টেটিষ্টিক্স ওথোরিটি (এস এ এস এ) লিংখৎপা, মণিপুর ষ্টেট লেন্দ ইউজ বোর্দ নিংথিনা মথৌ তৌহনবা, চহীগী ওইনা লেন্দ ইউজ সর্ভে পাংথোকপা, ইউ এন ইন্দিজেনস পিপলস রাইট ২০০৭ অমসুং ন্যু নেসনেল লেন্দ এক্বিজিসন এক্তপু ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা ক্লাইমেট চেঞ্জ চেলেঞ্জ (সি সি সি)গী মওংদা লেন্দ ইউজ প্রোস্পেক্টিভ পোলিসি প্লান্নিং শেম শাবা অমসুং লৌউ শিংউগী লমদা শীজিন্নরিবা মফমশিংদা সরকারগী প্রোজেক্ট অমসুং প্রাইভেট কন্সত্রক্সন তৌবা লেপ্পবা মণিপুর সরকারদা এদভাইজ তৌবিয়ু হায়বা য়াওরি।

চেরোল অদুদা পল্লিবদি মণিপুরগী অপুনবা এরিয়াগী মনুংদা তম্পাক লমগী চাদ ৭.৪১ খক লৌউ শিংউগী লমদা শীজিন্নরি। ২০১০–১১ সর্ভে রিপোর্টকী মতুংইন্না মণিপুরগী অপুনবা চীঞ্জাক্কী পোথোক অসি টন ৩,৭৭,৩৭০ নি হায়রি। ষ্টেটকী দরকার ওইবা চীঞ্জাক্তগী পুথোক্লিবা পোথোক অসি টন ২,৫০,৮৫১ হন্থরিবনি। ষ্টেট এগ্রিকলচরেল ষ্টেটিষ্টিক এজেন্সি (এস এ এস এ)গী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা লৌউ শিংউগী লমদা শীজিন্নরিবা এরিয়া অসি হেক্তর ১,৬৮,০০০.৭৮ নি হায়না উৎলি। নেসনেল ব্যুরো ওফ সোইল সর্ভে এন্দ লেন্দ ইউজ প্লান্নিং –আই সি এ আর ২০০৫ কী মতুংইন্না হেক্তর ৯,৫২,০০০ দিগ্রেদেসন তৌই হায়রি। মণিপুরগী অপুনবা মীশিং লাক্ষ ২৭ লোম্লি। অদুগা পুথোক্লিবা পোথোক অসিদি অসুক্কী মতিক নেন্লি, দরকার ওইবা চাং অদু য়ৌবা ঙমদ্রি।

অমরোমদা সরকারনা লৌউ শিংউগী লম ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বা লৈবাক অসিদা চৎনরিবা এক্ত অমসুং এস ই জেদ রুল ২০০৬ কী ক্রাইটরিয়াগী মায়োক্তা সরকারনা থবক তৌই হায়নসু পল্লি। মণিপুর সরকারনা মন্ত্রি পুখ্রি এরিয়াদা লৌশিনখ্রে। অসিদসু নত্তনা য়ারল পাৎতা ইকো টুরিজম পার্ক শেমগৎনবা লৌফম একর ৩৫ সু হান্নগা লৌশিনখ্রবনি। মখা তানা পার্ক অসি পাকথোক চাউথোকহন্নবগীদমক লৈহাও চেনবা থংননা লৈবা মফম একর ১৩০ রোম লৌশিন্নবা থৌরাং তৌরি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা ককচিংগী লেংবা লাইজিং লৌকোনগী লম হেক্তর ৬০০ ইন্দষ্ট্রিয়েল হব সেন্টর অমসুং টিম্বর পার্ক শেম্নবা লৌশিনখ্রে। অসিদসু নত্তনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুংচনবা তিঙ্কাই খুনৌদা লম একর ২০০ ইং ১৯৯৯ দা লিংখৎখিবা মণিপুর পোনি সেঙ্কচুরিগীদমক লৈরি। অনৌবা পোনি সেঙ্কচুরি অমা শেমগৎনবা ইম্ফাল ইষ্ট মনুং চনবা হৈঙাং মার্জিং লৌকোলদা লম হেক্তর ২৬ লৌশিন্নবা থৌরাং তৌরি। তিঙ্কাই খুনৌগী পোনি সেঙ্কচুরি অসি হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা হৈঙাং মার্জিং লৌকোলগী লম অমুক লৌশিন্দুনা পোনি সেঙ্কচুরি শেমগৎনবা হোৎনরি। অমুকসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তা ইন্দষ্ট্রিয়েল গ্রোট সেন্টর অমা শেমগৎনবগীদমক লম হেক্তর ২১৫ লৌশিন্নবসু হোৎনরি। সরকারগী নত্তবা লনাই কেপিটেলিষ্টশিংনসু মখোয়গী চেক্কোন, স্কুল, ষ্টোন ক্রশরনচিংবগী করবারদা হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্নবগীদমক লৌউ শিংউদা শীজিন্নবা লম কয়া অমসু লৌশিল্লি হায়না পল্লি।



মণিপুরদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জি লাকপগা মরী লৈননা মণিপুরগী লালহৌলুপশিংনা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌখিবদগী মী ইতাক তাক্লবসু কৈথেল ফন্বী ইমাশিংনা নোংমগী চরাগীদমক পোৎফম ফল্লি


## উমা আয়ুর্বেদিক ক্লিনিক

**ঙমখ্রে**

না–তাদবা, নুংশা শোৰগী লায়না, ঈশিং পুকচৎ, শম কেনবা অমদি কোক–তাংবা, থাগী ৰিতু কাইবা নৎত্রগা ফিঙৌ চৎপা, ফিৰু থুংবা, হক্তিন্নবদা শন্দোকপা লায়না নৎত্রগা গেনোরিয়া, নুঙশং, খোংহাম্বা নুংঙাইতবা অমসু পুক শৌগৎপা

***অঙাং য়াওদবা নুপা–নুপীশিংগীদমক***

করিগুম্বা অদোম অঙাং পোক্রবা অমসুং মদুগীদমক অদোম্না নুংঙাইতবা পোক্লবদি ঐখোয়দা পাউ ফাওদোকপীরকউ। ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা, কনরবা অমসুং অফবা মখলগী হিদাক্না অদোম শোয়দনা পুক্নিং চংথোক্লবা ইচানুপা ইচানুপী অমা ফংবা ঙমগনি। মৰমদি অঙাং য়াওদবা নুপাখনুপী কয়ানা অঙাং ফংবা ঙমখ্রে।

***খ্বাং নাবা, খুউ নাবা, নঙ্গল নাবা অমসুং নাকল নাম্মা পংথবা***

করিগুম্বা অদোম নাকল নাম্মা পংথবা, খুউ নাবা, খ্বাং নাবা, খুনিং নাবা, পাম্বোম নাবা, লেংজুম নাবা, মখল খুদিংমক্কী তাং–তাং চীকপা–নাবগী অৰাবা মায়োক্লরবদি চানবিদুনা মফম অসিদা লাকপীয়ু। ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক হিদাকশিং শীজিন্নদুনা হায়রিবা লায়নাশিং শোয়দনা ফবা ঙমগনি।

***উনশাগী লায়নাশিং***

অঙৌবা পকপা, উনশাদা মচেৎ নায়না পোমথোকপা, লাইকোই, অমু–অমুবা দাগ তাবা, উনশাগী মহৌশাগী কুচ্চু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং শোয়দনা ফহনবা ঙম্মী। নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা হিদাক শীজিন্নবদগী অঙৌবা পকপা মচু ওনবা হৌরক্কনি অমসুং লায়না অসি থা খরগী মনুংদা মপুং ফনা ফহনবা ঙম্মী। লাই থোকখিবগী দাগ ফাওবা ফহনবা ঙম্মী।

***লুহোংবগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবিয়ু***

***অদোমগী হকতিন্নবগী সমস্যা***

করিগুম্বা অদোম নুমিদাংদা মতোমতা ফন্বী চৎলবা, মপানথোকপা নৎত্রগা খোং হাম্বদা ফন্বী চৎপা, ফন্বী মরাং কাইনা চত্তবা নৎত্রগা মহি লাংবা, শক্তি হন্থবা, ফিনুংগী হকচাং লীংখৎপা ৱাৎপা, থুনা ফন্বী চৎপা, নুপা নৎত্রগা নুপীগী মখল খুদিংমক্কী ফিনুংগী ওইবা লায়নাশিং লৈরবদি চানবিদুনা ঐখোয়গা পাউ ফাউনবিয়ু। ঐখোয়গী হিদাক শীজিন্নদুনা মীওই লিশিং ২০ হেন্না অসিগুম্বা লায়না ফহনবা ঙমখ্রে। ঈশিং পুকচৎ অমসুং হায় ব্লদ প্রেসৰনা মরম ওইদুনা অঙাং পোকপা ঙম্বগী শক্তি লৈতবা ফাওবা মফম অসিদা ফহনবা ঙমখ্রে।

***য়েংবদা পুক্নিং চিংশিনবা অমসুং মওং তাবা ব্রেষ্ট***

করিগুম্বা অদোমগী ব্রেষ্ট অদু পীক্লবা নৎত্রগা চোম্থরবদি অমসুং অদোম্না অদোমগী ব্রেষ্ট চাওখৎহনবা পাম্লবদি চানবিদুনা ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা আয়ুর্বেদিক্কী হিদাক লৈবিয়ু।

***লিঙ্গ চাওখৎনবা মেছিন***

করিগুম্বা অদোম্না অদোমগী লিঙ্গ শাংবা অমসুং চাওবা হেনগৎহনবা পাম্লবদি চানবিদুনা মফম অসিদগী মেছিন অসি লৈবিয়ু। মেছিন অসি শীজিন্নবনা লিঙ্গগী শাংবা অমসুং চাওথোকপা শোয়দনা ঙমগনি। লিঙ্গ লীংখৎপগী শক্তিসু হেনগৎহনগনি। হকচাংগী তোংশা অমসুং তাং–তাং চীকপা ফননবা হিদাকসু মফম অসিদা ফংগনি। মসিগীদমক ওর্দর তৌবিরকউ।

লিঙ্গ চাওখৎহন্নবা স্প্রে অমসুং ক্রিমসু মফম অসিদগী ফংবিগনি

***কমদৌনা য়ু থাদোক্কনি***

য়ুদা লাইচুরবা মীওইদা (মশাদা খঙহনদনা) ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক হিদাক পীজ পীথকপা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুংদা হরাও– নুঙাইবা হায়বদু হঞ্জিল্লক্কনি। মহাক সোইদনা য়াম্না থুনা লিকর / য়ু থাদোক্কনি।

***অকম্বা হেনগৎহনবা***

চহী মতাং অমা হেক্তদা লৈবা মশা ময়াং কংবা, তাবা তাবাবা নুপামচা / নুপীমচাশিংনা ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক্কী হিদাক শিজিন্নবা তাৰবদি নুমিৎ খৰানিদা হকচাংগী অকুম্বা হেনগৎহনবা ঙমগনি।

LONG JOHN CREAM - The power of man, CHINEESE MADE ORGAN DEVELOPER & BREAST DEVELOPER ARE AVAILABLE HERE

***LOOSENESS OF PRIVATE PART***

If your private part has become loose due to encess sex, encess children leucorrhoea or any reason, then please contact us. It will be tight using own madicine surrely. Your will be as young girl. no side effect.

***Please Contact:-***

**Dr. R.N.. Gupta (396)**

C/o Uma Ayurvedic Clinic

Thangal Bazar, Khoyathong Road,

Kwality Wall Ice Cream Building, 1st Floor

Khoyathong, Imphal - 795001 (Manipur)

*য়ু, হিদাক মনা অমসুং চুরুটতগী লাপথোক্কবা*

করিগুম্বা অদোম্না য়ু, হিদাক মনা অমসুং চুরুট শীজিন্নবা থাদোকপা পাম্লবদি চানবিদুনা ডা আর এন গুপ্তদা হকথেংননা উনবিয়ু







ঙরাং কাঞ্চিপুরদা লৈবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সেন্টিনরি হোলদা পাংথোকখিবা ১৪ শুবা কনভোকেসনগী থৌরমগা মরী লৈননা প্রোগ্রাম কোভরেজ তৌবা লাকখিবা মপান লমগী পাউমীশিং

# অম্মুক্না ইরমদমগী শিন্মীশিংদা পাউজেল পীরক্লি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ঃ* লাক্লিবা শগোলশেন শিন্মীশিংগী নুমিৎনা মে তাং ১ লাকপদা ইরমদমগী চীংবুরোই তম্বুরোইগী শিন্মীশিংদা ওল মণিপুর মেন পৱার অপলিফমেন্ট সেন্টর (অম্মুক)না য়াইফ পাউজেল পীরি।

অম্মুক্কী প্রসিদেন্ট এস বিমোলচন্দ্র সিংহনা পীবা পাউজেলনা হায়, মালেমগী ওইনা মে দেগী পুৱারীদা অমেরিকাগী চিকাগো সহরদা ইং কুমজা ১৮৮৬কী মে ১ দগী হৌনা অকনবা ৱাকৎ খোঙজং চংশিন্দুনা শিন্মী ১০ গী পুন্সি কৎখিবা অমসুং মখা তারকপা চহিশিংদা মালেম শিন থুংনা নুমিৎ অদুবু মে দে হায়না পাংথোরক্লিবা অসিনা খুন্নাই অসিদা মীগা মীগগী মরক্তা লৈনরিবা খেন্নবা অদু মান্নবা থাক্কী অওনবা খুন্নাই অমনা মুখৎতুনা মালেমগী মীপুম খুদিংমক মরোমদোম লেপ্পা ঙম্নবা তংদু লৈতানা লৈমিন্নহনবগী খুদোংচাবা পুরকখিবনি।

মণিপুরগী শিন্মীশিং মালেমগী ঈচেলদা শরুক য়াবা ঙমদনা ঙসি ফাওবা লৈরি। লৈশেমলোন অমসুং শেন্মীৎলোন্না তুহৎপীরবা অমদি মশানা মশাগী মরাইবক লেপ্পা ঙম্বদি লাইরদনা লম্মুক্নদুনা লৈহল্লি অমসুং পাঙ্গল লৈহন্দ্রি। লৈবাক অসিগী উ শুবশিংনা মশানা পামজবা কাংথোলদা হিপ্পা ঙমদ্রি, মেকানিকশিংনা মশানা পামজবা কার তোংবা ঙমদ্রি, হেন্দলুম হেন্দিক্রাফট অমসুং অতৈ খুৎহৈবশিংনা মচা মশু নিংথিনা শেম্বা ঙম্বদি লাইরদনা মখুৎ হাপ্পগী ফিভমদা লৈরি। রিক্সো থৌবা, শম ককপা, ফি শুবা, থেলা ইনবা, পোৎ হোনবা, লৌ শুবনচিংবা য়েলহৌ শিন্মীশিংগী ফংফম থোকপা হক ফংহন্দবা মরম্না নোংমা নোংমগী মরাইবক চাইথরক্লি। খ্বাইরবন্দ কৈথেল য়াওনা কৈথেলশিং মীতোপশিংগী ওইখ্রে, য়েলহৌ শিন্মীশিং থবক ফংহন্দ্রে, কনাগুম্বা লল্লোনবশিংনা নুংশিবিদুনা মরক মরক্তা য়েলহৌ শিন্মীশিংগী থবক পীরবসু চাং নাইনা পিদবনা শিনফম কয়া থাদোক্লরি। অদুগা খঙদবশিংনদি থবক শুনিংদে হায়না পাউথোকপীরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবদি পোথোক পুথোক্লিবা লৌমী শিন্মীশিংগী ফংফম থোকপা হক ফংদবদগী শিনফম কয়াদা মায় পাকপা ঙমদে। শুনিং নোম্নিংবগী হৈনবীসু মাংহল্লি। থবক শুফম অমসুং লৌবুকশিংসু নোংমা নোংমগী মাংশিল্লক্লি। ফিভম অসি থুনা লাকশিলহৌদ্রবদি লৌপু য়োংনা তানবগী লাইবক অদু মায়োক্লগদবা কুইদ্রবনি। মণিপুরদা রেলগারি চংলকপগা লোয়ননা মীতোপশিং লেপ্পুনা থোমজিল্লক্লগনি। মতম অদুদা ঐখোয়গী শিন্মীশিংগী মফম মখোয়না মুনখিবতা নত্তনা লমদম অসিগী দেমোগ্রাফিদা অচৌবা অহোংবা লাক্কুনা তুংলমচৎকী ফিভম নাকোইননা চৎখিবা য়াই। মতমগী অওনবদা খোঙকাপ লৌবা হৈহৌদবদগী ইপা ইপুনা মপোপ কায়দনা শিন্নবীরম্বা মণিপুরনা মীরোল অমগী মনুংদা মুৎখিবা য়াবগী ফিভম লাক্লগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

# এন পি এফনা মণিপুর সরকারদা মরাল শীরি

*ন্যুমাইজ ন্যুজ নেটৱার্ক*

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ঃ* হৌজিক মণিপুরগী মীয়াম্না তোঙান তোঙানবা লমদা থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া অসি ষ্টেট অসিগী ও ইবোবিনা লুচিংবা কংগ্রেস সরকারগী অশোয়বা থৌশিলদগীনি হায়না নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)না সরকারবু মরাল শীরি।

এন পি এফ মণিপুর ষ্টেটকী জেনরেল সেক্রেটরি অথুন অবোইমৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নিংথিনা অমসুং হৈশিংনা লৈঙাক শাসন তৌদবনা মীয়াম্না অৱাবা কয়া অসি খম থেংনা মায়োক্লরিবনি। চানবা চীঞ্জাক, থাউ অমদি অতৈ তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংদবা অমসুং অৱাৎপা লৈরকপা অসি ঙসিদি নুমিৎ খুদিংগী মীয়াম্না থেংনরি। থৌওং অসিমক লৈঙাক শাসনদা অরানবা তৌবগী ময়েক শেংলবা খুদম্নি। হৌজিক মীয়াম্না থেংনরিবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা অমসুং ঈচাউগী অৱাবা কয়া অসি সরকারগী অশানবা মীৎয়েংদা পোলিসি শেমদবা অমসুং করম্না ঈশিং য়োক্তুনা থমগদগে হায়বগী জ্ঞান লৈতবদগী ওইরকপনি।

চিফ মিনিষ্টর অমসুং অতৈ মিনিষ্টরশিং মতম পুম্নমক্তা শেল থোক্কদবা পোলিসি অমসুং প্রোগ্রামদা হেন্না মিৎয়েং চংই। মীয়ামগী অৱাবা খুদোংচাদবা লৈরিবশিং কমদৌনা কোকহনগনি হায়বগী থৌরাংদি তৌদে। অদুনা থক্লবা ঈশিং ফংদবগী ৱাথোক অসি লাক্লিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখি। মরম অদুনা ষ্টেট গভর্নরনা খুদক্তা মিৎয়েং চংবিদুনা মীয়ামদা থক্লবা ঈশিং ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অশানবা মীৎয়েংদা পোলিসি শেমগদবনি হায়নসু তকশিল্লি।

অতোপ্পা অমনা হন্দক মণিপুর সরকারগী এগ্রিকলচর অমসুং ফিসরি মিনিষ্টর অব্দুল নাসিরনা ত্রাইবেল ওফিসার অমদা এটেক্ত তৌখিবা অদু অকনবা মওংদা এন পি এফনা কন্দেম তৌই হায়রি। শাসনগী ভার পুবা য়াওরিবা দাইত্ব লৈবা মীশক অমনা নাতৈ চাদবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নদুনা ঙাং শকপা হায়বসি মীয়াম্না কুপ্না নৈনফম থোকই অমসুং মিনিষ্টর অমনা মহাক্কী ওফিসবু লান্না শীজিন্নবা হায়বা অসিসু য়াম্না লাইবক থিবনি হায়নসু অথুন অবোনমৈনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

ষ্টেট অসিদা ত্রাইবেল অমসুং অতৈ ৱিক্কর সেক্সন্দা খেন্নবা মীৎয়েং য়েংবগী থৌওং চথরকপগী মায়োক্তা এন পি এফ মণিপুর ষ্টেটনা লেপ্পি অমসুং মখোয়বু ঙাক শেন্নবগীদমক অচেৎপা ফিরেপ লৌরি হায়নসু মখা তানা ফোংদোরক্লি।

# দি সি ইম্ফাল ৱেষ্ট ওফিস কমপ্লেক্সতা ভোট মশিং থিগনি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ঃ* ১–ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংচনবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী এসেমব্লি সেগমেন্ট ১৩ গী ভোট মশিং মে ১৬ কী অয়ুক পুং ৮ দগী হৌনা লম্ফেল পাৎতা লৈবা দি সি ইম্ফাল ৱেষ্ট ওফিস কমপ্লেক্সতা তোঙান তোঙানবা হোল মরিদা থিরগনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ত অসিগী মনুংচনবা ৯– থাংমৈবন্দ, ১০– উরিপোক, ১১– সগোলবন্দ, ১২–কৈশামথোং অমসুং ১৩–শিংজমৈ এসেমব্লি সেগমেন্টশিংগীনা ওফিস কমপ্লেক্স অসিগী গ্রাউন্দ ফ্লোরদা লৈবা রুম নম্বর জি/০৫ হোল নম্বর ১ দা টেবল ১১ থাদুনা থিগনি। অদুগা ১৬–সেকমাই অমসুং ১৭–লমশাং এসেমব্লি সেগমেন্টগীনা হোল নম্বর ২ রুম নম্বর ঐচ/০৪ দা টেবল ৯ থাদুন থিগনি। ১৮–কোন্থৌজম, ১৯–পাৎসোই এসেমব্লি সেগমেন্টগীনা ফার্ষ্ট ফ্লোরদা লৈবা হোল নম্বর–থ্রি, রুম নম্বর এফ/২১ অদুগা ২০–লংথবাল, ২১–নাওরিয়া পাখংলাকপা , ২২–ৱাঙ্গোই অমসুং ২৩– ময়াং ইম্ফাল এসেমব্লি সেগমেন্টগীসু ফার্ষ্ট ফ্লোরদা লৈবা হোল নম্বর ৪ রুম নম্বর ঐচ/১৭ দা টেবল ১১/১১ থাদুনা মশিং থিগনি হায়রি।

ইলেক্সন কম্মিসনগী দিরেক্সন মতুং ইন্না কাউন্টিং পার্সোনেলশিং কম্প্যুটর সোফৱেয়ার শীজিন্নবগা লোয়ননা রেন্দোমাইজেসনসু তৌগনি হায়রি। মীরেপ ওইরিবা অমসুং মখোয়গী ইলেক্সন এজেন্টশিংনা অপীবা ফোর্মদা মখোয় মখোয়গী কাউন্টিং এজেন্ট টেবল খুদিংগী অমমম থাগৎলক্কবা অমসুং এ আর ওগী টেবলদা লৈনবা কাউন্টিং এজেন্ট অমসু থাগৎলক্কবা খঙহল্লি। কাউন্টিং এজেন্টশিংগী মীং থাগৎলকপা মতমদা ষ্টাম্প সাইজগী ফোটো কোপি ৩ য়াওরক্কদবনি হায়নসু খঙহল্লি।

# সাইন্স ফেষ্টিভেল মে ১১ দগী হৌরগনি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ঃ* মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সিল (মাষ্টেক) ইম্ফালনা শীন্দুনা নুমিৎ ৫ নি চথগদবা ষ্টেট লেভেল সাইন্স ফেষ্টিভেল মে তাং ১১ দগী ১৫ ফাওবা দি এম কলেজ কেম্পসতা লৈবা মণিপুর সাইন্স এক্কারিয়মদা পাংথোক্লগনি।

মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সিলগী দিরেক্তরনা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়, সাইন্স মিট অসিগী মপুং ওইবা থিমদি "হোষ্টরিং সাইন্টিফিক টেম্পর" হায়বা অসিনি। সাইন্স মোদেল এগজিবিসন কম কম্পিটিসন, স্পোট পেন্টিং কম্পিটিসন, দিক্লেমেসন কন্টেষ্ট, সাইন্স ক্যুইজ কম্পিটিসন, সাইন্স সোর্ট প্লে কম্পিটিসন, বেষ্ট গাইদ টিচর এৱার্দ, বেষ্ট এপ্রিসিয়েসন এৱার্দ, সাইন্স ড্রামা, সাইন্স ফিল্ম শো, পপেদ শো, বুক এগজিবিসন্নচিংবা পাংথোকপনা সাইন্স মিট অসিগী মপুং ওইগনি হায়রি।

সাইন্স মিট ২০১৪ দা য়াওনিংবা মহৈরোয়শিংনা তোঙান তোঙানবা কম্পিটিসনগী এপ্লিকেসন ফোর্ম কাউন্সিলগী ওফিস্তগী লৌরবা য়াগনি অমসুং মে তাং ৯ ফাওবগী মনুংদা মেনশিল্লবা ফোর্মশিং অদু পীখৎলক্কদবনি হায়রদুনা অকুপ্পা মরোল কাউন্সিলগী ওফিস্তগী খঙবা য়াগনি হায়রি।